# ভিশ্বজিৎদা রিয়েল হেরোজ এৱার্ড পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মার্চ ৩১ঃ*** হেল্থ অমসুং দিসএব্লিটিগী কেটাগোরিদা মণিপুরগী ফিজিকেল ত্রেনর ওইরিবা বোডি বিল্ডর আর কে ভিশ্বজিৎদা রিয়েল হেরোজ এৱার্ড পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

চহিসিগী ওইনা ভিশ্বজিৎতা সি এন এন আই বি এন রিলায়েন্স ফাউন্দেসন্না ইনিসিয়েটিভ লৌদুনা পীবা রিয়েল হেরোজ এৱার্ড পীদুনা হৌখিবা মার্চ ২৪ দা মুম্বাইগী গ্রান্দ য়াটতা পাংথোকখিবা চিং-লেন্নবা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখি।

পাংথোকখিবা থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট লিজেন সচিন টেন্দুলকর, রিলায়েন্স ফাউন্দেসনগী চিয়ারপার্সন নিতা অম্বানি অমসুং আই পি এন - ১৮ নেটৱার্ককী ইদিটর ইন চিফ রাজ দিপ সরদেসাই শরুক য়াখি। সি এন এন - আই বি এন গী ৱেবসাইটতা মণিপুরগী ভিশ্বজিৎসু ৫শুবা এদিসনগী রিসিপেন্ট ২৪ খনগৎপদা মহাকসু অমা ওইরে হায়না ফোংলকখি। মহাক্না এদিক্সনগী মায়োক্তা থেংনদুনা লৌরিবা থৌদাং অদুবু শকখঙদুনা রিয়েল হেরোজ এৱার্দকী মীওই ২৪ খনগৎপদা মহাকসু য়াওরে হায়বা ৱাফম ফোংদোরকখি। বোডি বিল্ডিং মশান্নগী খুৎথাংদা হিংসা অমসুং দ্রগতগী অৱাবা তারবা ষ্টেট অমবু কন্ননবা হোৎনরিবা থৌদাং অদুবু শিংথারি।

মহাক্না বোডি বিল্ডিং মশান্না অমা মেদিটেসন অমসুং কেম্পেনিং পুনশিন্নদুনা এদিক্টশিংবু লমচৎ শাজৎ শেমদোক্লবা হোৎনখি হায়বা ওফিসিয়েল ৱেবসাইট অদুদা পল্লকখি।

ইম্ফালগী পোলেম লৈকাইদা লৈবা আর কে ভিশ্বজিৎতা রিলায়েন্স ফাউন্দেসনগী চিয়ারপার্সন রিতা অম্বানিনা রিয়েল হেরোজ এৱার্দকী লুপা লাক্ষ ৫ অমসুং মেমেন্তো অমা খুৎশিন্নদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

ভিশ্বজিৎকী মথংগী টার্গেট অসি মণিপুরগী রুরেল এরিয়াশিংদা জিমশিং হাংদুনা অমদি ফিল্ডদা এৱার্নেস পীননবা থৌরাং তৌরি।